# ফুটবোল্লর অমা ওইনা লৌবা য়াবা মনা কয়াদি লৌজরকখ্রে অদুবু কুমজা ২০১০দগী ঙসি ফাওবা ঐহাক পুলিস কনষ্টেবল ওইনা লৈরি



ঙাঙোম বালা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

(ঙরাংগী মখা)

মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯দা স্পেনদা পাঙথোকখিবা কোটিফ কপ টুর্নামেন্টতসু ঐহাক ইন্দিয়া টিমদা ষ্টাইক্কর অমা ওইনা শান্নজরকখি। মদুগী টুর্নামেন্টতুদা ইন্দিয়া টিমনা থর্দ পোজিসন তারকখি। কুমজা ২০১৯ অসিমক্কী সেপ্টেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা উজবেকিষ্টানদা তৌখিবা ইন্টর্নেসনল ফ্রেন্দলি মেচতসু ঐহাক শরুক য়াজরকখি।

অদুগা নেসনলগী ওইনসু পঞ্জাবতা চথখিবা ২৫ শুবা সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুর টিমগী ঐহাক্না কেপ্টেন ওইনা চৎচখি। মদুদসু ঐহাক টোপ স্কোররগী মনা লৌজবা ঙমজরকখি। অসুমহায়না ঐগী ফুটবোলগী খোঙচৎসি লাকচখিবনি।

স্কোটিস ক্লব রেঞ্জর্স এস সিনা ট্রায়ল কৌরকপগী মতাংদনা ঙাঙোম বালানা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, স্কোটলেন্দদা ট্রায়ল পীজরুবদু হাপ্তা অমগী ওইনা কৌবীরকখিবনি। খোঙচৎতুগী স্পোন্সর তৌবীবনা ষ্টার সিমেন্টগা ৱিমেন এন স্পোর্টস হায়বা অনীসিননি। ঐগী চথোক চৎশিন, চাবা-থকপগী অচঙবা শেনফম পুম্নমক মখোয়না লোইনা পুথোকপীবনি। নবেম্বর ১৯দগী ঐহাক চৎচবদুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা অনীসিগী খেন্নবসু খরগীমখৈ উজরকখি। তৌরিবা সিষ্টেমদি মান্নে। অতেনবা নুমিৎ খরগী ওইবা খোঙচৎতুদা ঐনা উজরকখিবদু অমরোমদবুদি করিসু নত্তে।

অমরোমদা, ঐনা চৎচরুরিবদুদি ঐগী পর্ফোমেন্স য়েংহন্নবগীদমক্তনি। মওং কয়ামুক্তা ঐহাকপু মখোয়না চাংয়েঙ তৌই। ফিল্ডসিদা ঐহাকসি কয়ামুক ফুটবোলসিদা হৈশিংলবগে হায়বদু য়েংননবা হোৎনৈ। ষ্ট্রেঙ্ক কয়াম লৈবা, ষ্টামিনানা কমদৌবা, বোল খুৎশান্নদনা কয়াম ষ্টেন্দর্দ লৈরবা হায়বশিংদু মুন্না খঙননবা শান্ন-শান্নহল্লগা য়েংই। টিমদা অমুক থাজিল্লগা শান্নহল্লি। ইন্দিভিজুয়ল ওইনা অমুক শান্নহল্লি। স্কিলনচিংবসু মখোয়না ফজনা চাংয়েঙ তৌই।



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা**

ট্রায়ল পীজখি। ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা পীরিবা ট্রেনিং ষ্টাইলদুগা মখোয়গী ক্লব অমদা পীরিবা চাংদুগা ঐহাক্না করমহায়না শান্নবগে হায়বদুনি মখোয়না তকখায়রগা য়েংলিবদু। ঐসু ঐগী বেষ্ট লেভেলদা পর্ফোমেন্স ফজনা অদুম পীজরম্মী। ইন্দিয়াগী ওইনদি নুপী ফুটবোল্লর অমনা য়ুরোপ কন্ত্রি অমদা ট্রায়ল পীরুবসি ঐহাক্না অহানবনি। মমাংদা কনা অমত্তা চৎলুবা লৈত্রি। মসিনা মায় পাকপা ঙম্লগদি ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈবা ফোরেন কন্ত্রি অমগী প্রোফেস্নেল ক্লব অমদা শান্নবা ঙম্বী নুপী ফুটবোল্লর অমসু ওইগদৌরিবনি। করিগুম্বা ঐহাক্না লাইবক ফদুনা স্কোটিস রেঞ্জর্স এস সিদা সাইন তৌবা ঙম্লগদি ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোলসু খরগীমখৈ থাক অমা হায়গৎলক্কদৌরিবনি। অদুগা ঐহাকসু ফুটবোল্লর অমা ওইনা য়ুরোপকী ক্লব অমদা য়াওদুনা অমুক্তং মপুং ফানা শান্ননিংবগী অপাম্বা লৈরি।

শান্নবগীসু মতম হায়বা অমদি লৈ। ঐখোয়গী মমাংদা সিনিয়র ইচে ময়াম অমা হৌখ্রে। মতম মতমগী ওইনা য়াৎপীরম্বা লম্বেলশিংদুদা ঐখোয়সু মথং মথং খুদুঙ ইন্দুনা লাকচখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লরশিংনা ঙসি ফাওবা লৈবাকসিগী মায় ঙাক্তুনা লাক্লি। নুপী ফুটবোল কন্ননবা ঙসিসু কখোকপনা মাঙথারগা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী ওইনা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওইনা নুপী ফুটবোলগীদমক লৈবাক অসিনা কয়াম হোৎনরবগে হায়বসিমদি অচৌবা ৱাহং ওইরি। ঐখোয় নুপী ফুটবোল্লরশিংনা গেম অসিবু নুংশিজরুবগী লিশাং শীৎনা কন্দুনা লাকখিবনি হায়বা য়াই। নুপী ফুটবোল চাউখৎনবা হোৎনবা, য়োকখৎপীবগী মতাংদদি মায়কৈ কয়াদা খেন্নবসু য়াম্না লৈরি হায়বা য়াই। ষ্টেটসিগী লৈবাকসিগী মীঙচৎ পুরকপা ঙম্বা মনা মথুম পুদুনা লাকপদা পেন্থোকচরগা অদুমক লৈজবনি। চহী হেক খুদিংগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা ঐখোয় নুপী ফুটবোল্লরশিংনা ৱিন্নর ট্রোফি পুদুনা লাক্কনি। বেষ্ট স্কোররগী, বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু পুরক্কনি। লোয়ননা ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনাসু লৌরক্কনি। অদুবু থবক ইনখাংগী মতাংদদি, থবক হেক চঙজরকপদগী ঙসি ফাওবা ঐহাকসু পুলিস কনষ্টেবলদগী হেন্দ্রি। ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসিসু নীংথিনা শেমদবনিনা হায়জরুবা কয়াসু কান্নফম খঙদনা লৈরি। অদুনা ইথন্তা ইকাইবসু ফাওরকই।

... মথং মথং



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১০


১) অঙাং ওইরিঙৈদা ঐগী খুরাগা ফুটবোল শান্নবা চৎপদা ঐগা চৎমিন্নে। মহাক্না ফুটবোল শান্নরিঙৈদা ঐনা ভাবকশিংগী খোঙুপ কাপ থারগা পৈশা তাল্লি। ঐহাক কনানো? ঐসু ফুটবোল শান্নবদা অফাওবা ওইরকখি।

২) মহাক টেষ্ট ক্রিকেটরনি। বেটিং তৌবা মতমদা Right Hand Batsman নি। বোল্লিং তৌবদদি খুৎ ওইনা হুল্লি। মহাক টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা টিম অমগী কেপ্টেন ওইরম্মী। মহাক্কী মমিং পীয়ু?

৩) China গী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইবী নুপী অমগী ফোটো অদু Sanitary Napkin গী advertise তৌখি। মহাক কনানো?

৪) Songjeelen করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## চহী ২১ মখাগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মানব থাকরনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ পোজিসন কনবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী জুনিয়র টেবল টেন্নিস শান্নরোয় মানব থাকরনা ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা চহী ২১ মখাগী কাংলুপ্তা নম্বর ১ পোজিসন কনবা ঙমখ্রে।

মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা মানব থাকর ৱর্ল্ড নম্বর ৩ দা লৈরম্বনি। অদুবু দিসেম্বর থাদা ৱর্ল্ড নম্বর ১০দা হন্থরুরবা মতুং চহীসিগী হৌরকপদা পুন্না পোইন্ট ৬৭৮০ ফংদুনা নম্বর ১গী থাক অদু কনবা ঙমখিবনি।



মশাগী চহী ১৯দা ঙাইরিবা মানব থাকরনা দিসেম্বর থাদা লোইশিল্লকপদা কানাদাগী সিটি মরখামদা পাঙথোকখিবা আই টি টি এফ চেলেঞ্জ প্লস কানাদা ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট চহী ২১ মখাগী কাংলুপ্তা টাইটল লৌবা ঙমখি। টাইটল অদু ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস শান্নরোয় অমনা কুমজা ২০১৭কী মতুংদা লৌবা ঙম্বা মহাক্না ওইখিবনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় মার্টিন বেন্টানকোরবু ১১-৩, ১১-৫, ১১-৬তা থোইখি।

সিনিয়রগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় সাথিয়ান গনসেখরন ৱর্ল্ড নম্বর ৩০দা লৈখিবা অদু হোংদনা অদুমক লৈরি। অমরোমদা মমাঙদা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ ওইরম্বা সরাথ কমাল দিসেম্বর থাদা নম্বর ৩৪দা লৈরম্বদগী ৩৩দা থাক অমা হাইগৎপা ঙমখি। নুপীগী কাংলুপ্তা মমাঙ চহীগী লোইশিল্লকপদা ৱর্ল্ড নম্বর ৬১দা লৈখিবী মনিকা বত্রা মফম হোংদনা লৈরি।

## লিভরপুলনা শিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা মাংজিল থারি

লন্দন, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): মুহম্মদ সলা অমদি সাদিও মানেগী পাঞ্জল ২না ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেচ অমদা শিফিল্ড য়ুনাইটেদপু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা খ্বায়দগী নক্কবা টিম ওইরিবা লৈকেষ্টর সিটিদগী পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা মকোক ওইদুনা লৈবা ঙম্লি।

নীংশিংবা য়াই, লিভরপুল ফুটবোল ক্লবনা ইকোন কোন্না মায়থীবা নংখিবা অদু কুমজা ২০১৯গী জনুৱারী ৩দনি। হায়রিবা মেচ অদুদা মখোয়বু মেনচেষ্টর সিটিনা ২-১দা থোইখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০২০গী জনুৱারী ৩ ফাওবদা মেচ অমত্তা মায়থীদনা শান্নবা ঙম্লি।



শিফিল্ড য়ুনাইটেদকা শান্নখিবা মেচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ শুপনগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী ষ্টার প্লেয়র ঈজিপ্ত মচা মুহম্মদ সলানা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু লিভরপুলগী এন্দি রোবার্টসন্না পীরকখিবা পাস অমদা সলানা চনখিবনি। মেচকী মখাতারকপা অহানবা হাফ লোয়শিল্লক্কবা ফাওবদা শিফিল্ড য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমখিদে।

শিফিল্ড য়ুনাইটেদ মমাংদা মেচ ২০ শান্নখিবদা মেচ ৭ মায়পাকপা ঙমখি, মেচ ৮ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৬ মায়থীবা নংদুনা পুন্না পোইন্ট ২৯ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা ৮শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

করিগুম্বা লিভরপুলবু মখোয়না থোইবা ঙম্লবদি পোইন্ট ৩ হাপচিল্লগা ৩২ য়ৌদুনা ৫শুবা পোজিসন্দা হায়গৎপা ঙমগদৌরিবনি। অনীশুবা হাফ অদুদা মখোয়না য়াম্না কন্না শান্নরকখি। পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী মিনট ৬৪শুরকপদা লিভরপুলনা মখাতানা চথখিবা এটেক অমদা সাদিও মানেনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিন্দুনা মখাতানা মাংজিল থাবা ঙমখি।

## সুনিল সেত্রিগী পাঞ্জল অনীনা এফ সি গোৱাবু বেঙ্গালুরু এফ সিনা ২-১দা থোইদুনা অনীশুবা থাক্তা হায়গৎখ্রে

Match on 04 Jan. (Sat.) 2020
MUMBAI CITY Vs ATK

বেঙ্গালুরু, জন্যুৱারী ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল কেপ্টেন সুনিল সেত্রিনা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা ঙসি এফ সি গোৱাগী মায়োক্তা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ২-১দা থোইরগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী ২শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রি কান্তিরভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদু বেঙ্গালুরু এফ সিগী য়াম্না মরু ওইবা মেচ ওইখি। টিম অসিনা মমাঙগী রাউন্দ ১০ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা এফ সি গোৱা রাউন্দ ১০দা পোইন্ট ২১ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি।



মেচকী অহানবা হাফ টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকপা মরম্না অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা এটেক অমদা দিমাসনা বোল অমা টিম অদুগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল সেত্রিদা খাইরকখি। সেত্রিনা অশোইবা য়াওহন্দনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

বেঙ্গালুরু এফ সিদা উদান্তা ঙন্না হাফ হৌরকপদা শীন্দোকখি। মদুগী মতুং মণিপুর মচা সুরেস ৱাংজম অমসুং টি হাউকিপ ফিল্ডদা চঙলকখি। এফ সি গোৱানা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু বেঙ্গালুরুগী দিফেন্দরশিং অদুবু লাকশিনবা ঙমখিদবা অদু ৬১ শুবা মিনটতা কোরোনা পীরকপা পাস অমা ঐচ বোবোসনা ইক্বেলাইজর ওন্থোকখি। ৫৮ শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী এ কুরুনিয়ননা পীরকপা পাস অমা সেত্রিনা অমুক্কা পাঞ্জল চন্দুনা গোৱাবু মখোয়না ২-১দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Goa | 11 | 6 | 3 | 2 | 23 | 14 | +9 | 21 |
| 2 | Bengaluru | 11 | 5 | 4 | 2 | 13 | 7 | +6 | 19 |
| 3 | ATK | 10 | 5 | 3 | 2 | 19 | 9 | +10 | 18 |
| 4 | Mumbai City | 10 | 4 | 4 | 2 | 17 | 17 | 0 | 16 |
| 5 | Jamshedpur | 10 | 3 | 4 | 3 | 13 | 13 | 0 | 13 |
| 6 | Odisha | 10 | 3 | 3 | 4 | 13 | 15 | −2 | 12 |
| 7 | NorthEast United | 9 | 2 | 5 | 2 | 9 | 12 | −3 | 11 |
| 8 | Chennaiyin | 9 | 2 | 3 | 4 | 11 | 16 | −5 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters | 10 | 1 | 5 | 4 | 10 | 14 | −4 | 8 |
| 10 | Hyderabad | 10 | 1 | 2 | 7 | 10 | 21 | −11 | 5 |

## এ টি পি কপ্তা কানাদানা গ্রিসপু থোইখিবদা দেন্নিস সাপোভালোপনা ষ্টিপানোসি সিসিপাসপু মায়থীবা পীবা ঙমখি

গ্রিসবেন, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাক ২৪গী টিম টুর্নামেন্ট ওইরিবা মমাঙদা ৱর্ল্ড টিম কপ হায়না খঙনরম্বা হৌজিক্না এ টি পি কপ হায়না খঙনরবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা বেলজিয়ম, নোরৱে, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কানাদা মখোয় মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেচশিং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি টিম ২৪না গ্রুপ ৬তা রাউন্দ রোবিন্দ ফোর্মেটতা লম্বা তৌনগনি। মায় পাক্লকপা গ্রুপ অমমগী টিম ৬ অমসুং খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা টিম খনগৎলগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি তোঙান-তোঙানবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি ৩দা শান্নবনি। ব্রিজবেনদা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জর্মনিনা গ্রুপ 'এফ'তা লম্বা তৌনখি। নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অনীমক ওষ্ট্রেলিয়ানা থোইখি। অহানবা মেচ নিক কির্গিয়োসনা জর্মনিগী জোন লেনার্দপু ষ্ট্রেট সেট ২দা থোইখি। অনীশুবা সিঙ্গলস মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু সেট ২-১দা থোইরবা মতুং দবলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্স অমসু খৃষ্ট গুচিওননা ষ্ট্রেট সেট ২দা থোইদুনা জর্মনিবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।





গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদা কানাদা অমসু গ্রিস লম্বা তৌনবদা মেচ ৩-০দা মায় পাকখি। অহানবা সিঙ্গলস মেচ কানাদাগী ফেলিক্স ওগরনা মাইকেল পর্বোলারাকিসপু ষ্ট্রেট সেট ২দা থোইখি। অনীশুবা সিঙ্গলসতা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোপনা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসপু অকনবা লম্বা অমদা টাই ব্রেক সেট ২দা মায় পাকখি।

দবলসকী মেচ অদুদা কানাদাগী সাপোভালোপ অমসুং ফেলিক্সনা গ্রিসকী মাইকেল অমসুং পিত্রোসপু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা মায় পাকখি।

গ্রুপ 'দি'দা য়ু এস এবু নোরৱেনা মেচ ২-১দা থোইবা ঙমখি। গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদা ইটালিবু রসিয়ানা মেচ ৩-০দা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা গ্রুপ 'সি'দা বেলজিয়মনা মোলদোভাবু মেচ ৩-০দা থোইরগা বলগেরিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু মেচ ২-১দা থোইখি।

## রেষ্টলর জিতেন্দ্র কুমারনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ানবা ট্রায়লদা মায় পাকখ্রে, সুসিল কুমার ওলিম্পিক য়াওবগী লম্বেল তেনশিল্লক্লি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর খনবগী ট্রায়ল সেলেক্সনদা জিতেন্দ্র কুমার কিলোগ্রাম ৭৪গী কাংলুপ্তা ক্বালিফাই ওইখ্রে। ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা মশা শোকপদগী শরুক য়াখিদবা সুসিল কুমারগী ওলিম্পিক শরুক য়াবগী লম্বেল তেনশিল্লক্লি।

হান্নদগী হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখ্রবা রেষ্টল জিতেন্দ্র কুমারনা ঙসি কিলোগ্রাম ৭৪গী ফাইনেল বাউট অদুদা অমিত ধনকরবু পোইন্ট ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা ন্যু দিল্লিদা ফেব্রুৱারি ১৮দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

ঙসি মায় পাকখিবা তোঙান-তোঙানবা রেষ্টলরশিং অদুনা থা অসিগী ১৫দগী ১৮ ফাওবা ইটালিদা পাঙথোক্কদৌরিবা রেঙ্কিং ইভেন্টকীদমক্তসু ক্বালিফাই ওইখি। মমাঙদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না ঙসিগী ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা খনগৎলবা রেষ্টলরশিং অদুনা ইটালিগী টুর্নামেন্ট, ন্যু দিল্লিগী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অমসুং মার্চ ২৭তগী ২৯ ফাওবা চাইনাগী সিটি জিয়ানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগীদমক শরুক য়াগনি হায়খিবনি। অদুবু রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্রিজ বুসন সারন সিংহনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না চাইনাগী জিয়ান সিটিদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়ং ইভেন্ট অদুগী মাংওইননা অনৌবা ট্রায়ল অমসু পাঙথোকপা য়ানা লৈ হায়খি।



ঙসি ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা দিপক পুনিয়া (কে জি ৮৬) অমসুং রবিধহিয়া (কে জি ৫৭) ইৱা ৱাদনা সেলেক্সন ফংখি। অমরোমদা সুমিত মালিক (কে জি ১২৫) অমসুং সত্যাৱার্ত কাদিয়ান (কে জি ৯৭)না মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু মায়থীবা পীদুনা সেলেক্সন ফংবা ঙমখি।